থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# সুমাং লীলাদা অথোয় অহেনগী ৱাথোক



ফেস্তিবেল হায়বা ইংরাজি ৱাহৈ অসিগী ৱান 'কূমহৈ' হায়না হন্দোক্লে। দ্রামা নৎত্রগা লীলাবুসু মীতৈলোনদা হন্দোকপদা 'ফম্বাক কুমহৈ' নৎত্রগা 'সুমাং কুমহৈ' হায়না হন্দোকই। অদু ওইরবদি 'দ্রামা/লীলা ফেস্তিবেল' হায়বসি 'কুমহৈগী কুমহৈ' হায়না হনগদ্রা? হন্দোকপা হায়বসি ৱাহৈ অদুগী চপ চাবা ৱাহন হন্দোকপদু খক্ল ায়াদে। লোন অদু ঙাওলিবা খুন্নাইদুগী চৎনবী/চৎনরোল অদু মনুং হুৎনা খঙদবা য়াদে। মরম অসিনা হন্দোকপা (ত্রান্সলেসন) হায়বসিসু ক্রিয়েতিব আর্ট অমনি হায়নরকই। 'দ্রামা ফেস্তিবেল' হায়বসিবু কনাগুম্বনা 'লীলা ফাংনবা' ক্রিয়েতিব আর্ট অমনি হায়নরকই। অদুবু, মসিসু চপ-চাবা ৱাহন অমদি নত্তে।

ঙসি ঐনা ৱাফম অসি হৌদোকচরুবগী মরম, ৱাখলনা হাইফেৎ লাম্বা ফংবীবরা? ফংবীরমগনি। হৌজিক ফোঙ ফোঙ শারিবনি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী অমসুং মণিপুর ষ্টেট সুমাঙ লীলা কাউন্সিল, অনীনা খুৎশম্নরগা শীনবা 'ওল মণিপুর সুমাং লীলা ফেস্তিবেল' গী ৱারীনি। অথোয় অহেন তান্নবা (কম্পিতিসন) গী মওংদা পাঙথোকপা ওইখিবনা, মকোক মথঙ তাহৌদ্রবা, পেলহৌদ্রবা খরনা ফোঙদোরকপা ৱাফম খরদগী ৱাথোক অসি লাকপনি। ৱাথোকসিগী মতাঙদা লন্নাই ৱাফম খরদং ফোঙদোকচ-নিংলুবনা 'থম্মোয়সিগী পাউদম' ওইনা ইরিবনি।

ৱাথোকসিগী ৱাৰূ-মীয়াম্না খঙবীরমগনি, শন্দোক্লা অমুক ইজররোই। পাউ অসি পাহৌদবা কনাদদি ঙক্লা থোকপসু য়াই- করি ৱাথোক লৈরগে? মখোয়গীদমক য়েংলগা ৱা মচং অমখক হায়হৌবদি চুম'মাল্লে। হন্দক-চহী অসিগী সুমাং লীলা অথোয় অহেন তান্নবদা মকোক-মথঙ তাহৌদ্রবা 'লীলা কাঙলুপ' অমগী (অমদগী হেল্লম্বসু য়াই) আর্টিষ্টশিংনা পেন্দ-ৱাকৎ অমখক থাঙ্গৎলকই। ৱাকৎ অদু ইচম চম্না 'অসীন-অরাঙ তৌরিবা এজেন্সি' অদুদা, পেন্দ্রিবা/য়ানীংদ্রিবা এরিয়া অদু চুমথোক্লবা, নৎত্রগা মথঙগী ফেস্তিবেল চেপ্তুরদা শেমদোক্লবা, কন্সত্রক্তিব ওইবা সজেসন অমগা লোয়ননা থাঙ্গৎপা নত্তে। 'অথোয় অহেন রিজল্ট অদু য়ানীংদে' হায়বা দাইরেক ষ্টেটমেন্ট য়াওদ্রবসু হায়নিংলিবদি মদুনি। 'অথোয় অহেন তান্নবগী মওংদা, কম্পিটিটিব ফেস্তিবেল পাঙথোক্লদবা ওইরবদি মথঙ চহীদগী য়াওজররোই' - ৱাহায়সিনা ফোঙদোক্লিবসি করিনো? ফেস্তিবেল ওইরো, কম্পিটিসন ওইরো- ইভেন্ত অমদা য়াওবা নৎত্রগা য়াওদবা - ইন্দিভিজ্যুঅল নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন অমগী মরন্নাই ওইবা ৱারেপনি। য়াওদ-য়াদে হায়বা ইমপোজিসন (তৌদ' য়াদবা/নম্ফু) অমত্তা লৈরম্লোই। কম্পিটিটিব ফেস্তিবেল পাঙথোকপীগনু, নন-কম্পিটিটিব ওইহল্লু - হায়বা রিক্বেস্ত (হায়জবা) অদুদি তৌবা য়াই। মাঙজবা অমদি ওইজবা- করম্বনা হেনবগে হায়বদু অসীন-অরাঙ কাঙবুগা ফম্মীন্নরগা তানবা য়াই। পাউদম অসিগী পান্দমসু মদুমক্নি।

অথোয়-অহেন তান্নবই ইভেন্ত অমদা য়াওরুরবা হায়বসি, মহাক মশাসু মকোক ওইবা ঙল্লনি হায়বগী থাজবদুনা মাঙওইনরগনি। মকোক-মথঙ তারক্তবদা নীংবা কায়বা-কম্পিটিটরগী হৌনশানি। 'মানা ঐঙোন্দই হেন্দুনা মানা মকোক ওইরিবনি'- খনফম থোকপা ৱাখলসি পূম্নমক্লা খন'ঙল্লবা - মদুবু কৌই 'মরা তাবা খুন্নাই।' অষ্ট্রেলিয়াদা চৎলুবা বুদোকান করাতেগী মীতৈ ওজা অমনা ৱারী অমা লীখিবদু নীংশিংই। নোংমা বার অমদা চঙলুরগা থোক্লকপদা অষ্ট্রেলিয়ন মরূপ অনীদু মরৈ অমা য়েৎনরম্বদগী শাউনরক্তুনা খূৎ য়াওনরকখি হায়। অনীমক খরা খরা শোক্লরবসু খরা হেন্না কনবদুনা ফুবদগী হেন্না শোকপা অমা য়াওদুনা হোস্পিতালদা পুখৎনরুবা জাৎনি। মথঙগী নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম-ফুগায়নখিবা মরূপ অনীদু পূন্না মাগী নাক্তা লাকমিন্নখি হায়। মমায় মমীৎ, মখুৎ বেন্দেজ য়েৎলগা মখোঙ শেক্ল া শেক্লা লাকপদুদা ঙক্লদুনা হায়, ...'ঙরাঙত নখোয় অনী শরু তেকপমখৈ ফুনরগা ঙসি করম্না লাকমিন্নরিবনো?' ৱাহংদুদা অশোকপদুনা খুল্লকখিবা পাউখুমদুনি মরু ওইরিবা ... 'সো হ্বাৎ! য়েস্তরদে হি কোত ৱেত্তর দেন মি, হি ইজ এ গুদ ফাইতর।' (অদুগা কৈদৌরগে! ঙরাংদি মানা ঐঙোন্দই হেন্না ফজনা ফুনখ্রে, মহাক ফুনবা ফজনা হৈবা মীনি)। অসিগুম্বা স্পিরিত ঈরম'মচাশিংদা লৈগদ্রা?

শান্নবগী ইভেন্তশিংদদি কনানা অথোয়বা (ৱিন্নর) নো হায়বা অয়েংবশিংগী মীৎমাঙদা ইফোং ফোংনা থোকপনি। খঙবা ঙম্মী খুদত্তা। দ্রগ'নচিংবা শীজিন্নদুনা অরানবা পাম্বৈনা ৱিন্নর ওইরম্লবা, ফংখিবা মেদল (মনা) দু কোন্না অমুক হন্দোক্লে। মূক্লাগুম্না, বোক্সিংগুম্না কনানা থাখ্রবগে, কনানা থিন দৎখ্রবগে খুদত্তা খঙবা নত্তবা, কলাগী পোখোক অমগী ফজবৈ মশক লেপথোক্তুনা, অমদৈ অমনা হেল্লি হায়না লেপথোকপসি অরুবা থবক অমনি। থিয়েত্রিকল পর্ফোর্মেন্স (দ্রামা নৎত্রগা সুমাং লীলা) অমা য়েংলগা মদু ফৈ নৎত্রগা ফত্তে, ফজৈ নৎত্রগা ফজদে হায়বসি য়েংলিবা মী অদুগী পূক্লিংগী মখা পোনবনি। ঐগী পূক্লিংগী অপাম-পামদ, অদোমগী পূক্লিংগা মান্নরোই। এক্সপর্ত অমগী মীৎয়েংগা, মীচম-ভাবোক অমগী মীৎয়েংগা অনী অসি মান্নরোই। অদুগীসু মথক্তা মণিপুরী থিয়েতর হায়রগা মীয়াম্না শকখঙনরিবা 'দ্রামাতিক পর্ফোর্মেন্স'শিংগী অথোয় অহেন লেপ্পগা 'মণিপুরী সুমাং লীলা'গী অথোয় অহেন লেপ্পগা, অনীসিগী ইমপ্লিকেসন মান্নদে। মণিপুরী থিয়েতর পর্ফোর্মেন্স - পর্ফোর্মর অমদি ক্রিয়েতর, অনীগী পূক্লিংগী অপেনবা থিবনি। সুমাং লীলা পর্ফোর্মেন্স - অয়োনপোৎ অমনি, কম্মর্সিয়েল আইতেম অমনি, এক্তর-রাইতর-দিরেক্তর পূম্নমক্কী শেন্দাল লম্বীনি। মণিপুরগী সুমাং লীলা পীক্লবা লম অসিগী অচৌবা ইন্দষ্ট্রি অমনি। ইন্দিয়াগী বোল্লিৱূদকুম্বনি। মশক-মতৌ ফাওবদা মান্নবা কয়া য়াওরক্লিবসিনি।

মণিপুরগী সুমাং লীলা কম্পিটিসনদা/ফেষ্টিবেলদা ফর্ষ্ট তাখ্রবা (অহানবা মনা ফংখ্রবা) লীলাদুনি হায়রবা, মণিপুরগী কাচিন কোয়া শীনবা থুংনা, অহিং-নুংথিল নাইদনা শান্নরুবা ফংদৌরিবনি, য়াল্লবা শেনফম তান্দৌরিবনি। ফনা ফজবা লীলা অমা ওইরবসু ফর্ষ্ট/সেকেন্দ তাহৌদ্রবা, মীয়মগী দিমান দ খরমখৈ ৱাৎলদৌবনি। হন্দক্কী ফেস্তিবেলদা শরুক য়াখিবা লীলা কাঙলুপ ১২ দুগী মনুংদা, করম করম্বা কাঙলুপ্তা হেন্না বার্তন লাকপগে? লীলা কাঙলুপশিংশিগী ওফিসতা নোংমতং চত্তুনা য়েংবীরুচো- কাঙলুপ খরগী আর্টিষ্টশিংনা পেন্দ্রিবই মরম খঙগনি।

ঐগী-মাগী থিদনা, মাঙগী তুংগী য়েংলগা, সুমাং লীলা ফগৎহন্নব-গীদমক খল্লগা, ঐবু হায়জৌ হায়রবা, ঐদি হায়গনি- সুমাং লীলা ফেস্তিবেল, অথোয় অহেন তান্নবই মওংদা পাঙথোক্লোইদবনি। নন-কম্পিটিটিব ওইরবসু কনানা হেন্না ফবগে হায়বদুদি - খঙই অয়েংবা পূম্নমক্লা।

লৌশিং পুক্কৈ

# মীওইবনা ঈ পীবগী তঙাইফদবা



মী ওইবা অমনা অতোপ্পা মীওইবা অমদা তম্বা য়াবা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা খুদোলদি ঈ পীবা হায়বসিনি। ঈ পীবনা কনাগুম্বা মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙমগদৌরিবনি। মতম চানা ঈ ফংহনবা ঙমদবদগী মীওই কয়া খাঙুথক্তা পুন্সি পীখম্ন রি। মেদিকেল সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজিনা খম থেংনা চাউখৎলবসু ঈ হায়বসি তোখায়না শুংবা ঙমদ্রিবা পোৎশক অমা ওইবনিনা ঈগী মথৌ তারকপা মতমদা কনাগুম্বা মীওই অমদগী লৌবা মথৌ তারি।

কনাগুম্বা মীওই অমনা পীরকপা ঈ অদু অকক্লবা মতম অমগী মনুংদা শীজিন্নহৌদ্রবদি অরেম্বদা মাঙদুনা তোকই। মরম অদুনা পীবগী থৌওং অসি চাং নাইনা অদুম্মক চখ্বগী তঙাইফদবা লৈ।

মীওইবনা ঈ দোনেট তৌবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মরম কয়ামরুম লৈ। মরুপ মপাং নৎত্রগা মরী-মতানা হায়জরকপদগী ঈ পীবা য়াওই। তুংগী পুন্সিদা ইমুংগী মীওই অমা ঈ মথৌ তারকপা য়াই খনবদগী ঈ পীবসু য়াওই। অমরোমদা, কনাগুম্বা খরনা অতোপ্পা মীগী মতেং পাংনিংবদগী থম্মোয় শেংনা ঈ পীবসু য়াওদবা নত্তে।

ইন্দিয়াগী ওইনা নুমীৎ খুদিংগী অনা-




লায়েংবা অমসুং তোঙান তোঙানবা ওপরেসন তৌবদা চাউরাক্লা ঈ য়ুনিট ৪৪,০০০ রোম মথৌ তারি। কনাগুম্বা মীওই অমনা ঈ পীরকপা তারবসু নুমীৎ ৪২ নিদগী হেন্না থম্বা য়াদে। নুমীৎ ৪২ নি হেনখ্রবদি ঈ অদু অরেম্বদা মাঙদুনা তোকই। মরম অদুনা ঈ পীবগী থৌওং অসি লেপ্তুনা অমসুং চাং নাইনা চখ্বা য়াম্নমক তঙাইফদে।

চহী অমগী মনুংদা ঈ পীবগী অকক্লবা মতম লৈতে। অদুবু নিংথমথাদদি মীওই অয়াম্বা লোক থুংবা অমসুং হকচাং ঙম্নদবা মরম্না অয়াম্বা মতমদা ঈ পীনদে।

কনাগুম্বা মীওই অমনা পীরকপা ঈ অদু টেষ্টিং লেবোরেটরিদা চাংয়েং তৌদুনা ঐচ আই ভি, হেপাটাইটিস বি, হেপাটাইটিস সী অমসুং সিফিলিসচিংবা মহীক য়াওবরা হায়না চেক তৌখি। করিগুম্বা মহীক য়াওরম্বা থোক্লবদি ঈ অদু শীজিন্নদে অমসুং ঈ পীরক্লিবা মীওই অদুদা পাউ য়ৌহন্দুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহল্লি। করিগুম্বা মহীক য়াওরমদ্রগনা রেফ্রিজরেটরদা হাপচিন্দুনা থম্মী। মতৌ অসুম্না দোনেট তৌরকপা ঈ শিং নুমীৎ ৪২ নি ফাওবা রেফ্রিজরেটরদা থম্বা য়াই। মদুদগী হেনখ্রবদি শীজিন্নবা য়াদে।

ঈ পীবা অমসুং কাপ্পগী থৌওং চখ্বদা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। খজিক্তং চেকশিলহৌদবদা তমথিবা লায়না কয়া লৌনরকপা য়াই। ইন্দিয়াদা হৌখিবা থা ১৭ কী মনুংদা চাংয়েং তৌদনা ঈ কাপলুবদগী মীওই ২,২৩৪ হ্যুমেন ইম্যুনোদিফিসিয়ন্সি ভাইরস (ঐচ আই ভি) পোজিটিব ওইরকপা থেংনখি।

'হিন্দু' পাউচেদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ঐচ আই ভি পোজিটিব ওইবগী কেস উত্তর প্রদেশতা খ্বাইদগী চাং ৱাংখি হায়রি। ষ্টেট অসিদা চাংয়েং তৌদবা ঈ কাপ্লুবদগী মীওই ৩৬১ ঐচ আই ভি পোজিটিব ওইরকখি। গুজরাত, মহারাষ্ট্রা অমদি দিল্লিদসু মথংশিংনা অসিগুম্বা মখলগী থৌদোক ২৯২, ২৭৬ অমসুং ২৬৪ থোকখি। চেতন কোথারি কৌবা মীওই অমনা রাইট টু ইনফোর্মেসন এক্টকী খুদোংচাবা লৌরগা মরী লৈনবশিংদা হংবদা ৱাফম অসি খঙলকপনি। মণিপুরগী ওইনসু লাইবক থীবা থৌদোক অসি থোক্লল্লোই হায়নিংঙাই লৈতে।

চেতন কোথারিনা আর টি আই থাবদা নেসনল এইদস কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসন (নাকো) না মতিকচাবা পাউখুম পীরকখিবগুম মণিপুরগী ওইনসু কনাগুম্বা মীওই অমনা আর টি আই থাবা থোক্লবদি পাউখুম অমা শোয়দনা ফংগনি খল্লি।

নাকোনা কুমজা ২০১৫ দা ফোঙলকখিবা এন্যুয়েল রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০১১ ফাওবদা ঐচ আই ভি পোজিটিব ওইরবা মীওইর লাখ ২০.৯ ইন্দিয়াদা লৈরে হায়রি।

# লোলিবলানা দিরেক্সন পীবা মোইরাং পর্ব, শামু খোঙয়েৎপা শুমাং লীলা উৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৫(ঐচ এন এস): মিনিস্ত্রি ওফ কলচর, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী শেন্থং মখাদা মোইরাংথেম লোলিবলানা প্রদক্সন অমসুং প্রোজেক্ট দিরেক্তর ওইবা ত্রেদিস্নেল কোর্ট য়ার্দ প্লে অমা ওইরিবা মোইরাং পর্ব, শামু খোঙয়েৎপা নুপী শুমাং লীলা উৎপগী থৌরম, চীংঙা মণিপুর কোলেজগী ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ইমিনেন্ট থিয়েটর পর্সনেলিটি অমসুং মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমী এৱার্দি ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রোনা চীফ গেষ্ট ওইখি। মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট পিঐচ গুনচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট অমসুং মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি শৌগ্রাকপম হেমন্তনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ক্ষেত্রি জুগিন্দ্রোনা ফোঙদোক-খিবদা, ইন্দিয়াগী মনুংদা মণিপুর থিয়েটর অহানবদা লৈ। অদুগা অনীশুবদা কেরেলানা লৈরিবনি। মণিপুরগী থিয়েটর তৌবা মশীং য়াম্ন া লৈবা মরম্না মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরদা ওইরবসু নেসনেল স্কুল ওফ দ্রামা ন্যু দিল্লিদা ওইরবসু য়াম্না থাই। মণিপুরদগী মশীং য়াম্না থারকই। মণিপুরদগী ঙাক্তা ঙাইরে হায়রিবসি থবক তৌবদগীনি। ইন্দিয়াদা লৈরিবা অতৈ ষ্টেটশিংদগী মণিপুর ষ্টেটনা থিয়েটরদা থবক তৌবা মী মশীং হেনবদগীনি।

মণিপুরগুম্বা লমদদি কলচর হায়বসি পামজরবসু নুপীশিংদি ময়ুম পাল্লবা মতুংদি করিগুম্বা অমত্তা য়াওবা ঙম্ন দে। মসিসু ময়ুম পাল্লিবা ইমুং মনুংদুগী মখা পোন্না চৎখিবদগীনি। দ্রামা পামদুনা য়াওরক্লগা ময়ুম পাল্লবা মতুংদা ইমুংদুনা য়াদ্রবদি করিসু তৌবা ঙমদে। মসি মণিপুরগী ওইনা নুপীশিং অসি ময়ুম পাল্লবা মতুংদা চাদা ৫০ দি হন্থরিবনি। ময়ুম পাল্লবী নুপীশিংনা মপুরোয়বনা য়ানবা চৎপা হায়বসিসু মরুনি। ঙসি লোলিবলানা পাঙথোকপা ঙম্লিবা অসিসু মপুরোয়বগী অয়াবা অমদি মতেংগা লোয়ননা কলচরবু নুংশিবা মীশক অমা ওইরুবদগী ঙম্লিবনি।

স্কোলরশিপ, ফেলোসিপ অমদি ইন্দিভিজুয়েল এন্দ গ্রুপকী ওইবা কয়া অমসু লৈরি। মসিগীসু মথক্তা সেলরি গ্রান্ট কয়াসু পীরে। অদুনা হায়রিবশিং অসিদা অঙম্বা মতেং পাঙজগে। বিল্ডিং গ্রান্ট কয়াসু পীবা য়াবা লৈরে। অদুনা থবক তৌরিবশিংগীদি মতেং পাঙফম থোকই। অদুনা নুপী ওইরবসু হেন্না হেন্না মপাঙ্গল লৈনা হোৎনবা চঙই। নুপীশিংগী ৱাখল্লোনদা থৌনা অমা য়াওনা হোৎনরবদি হেন্না মায় পাকপা ঙমগনি হায়নসু মখা তাখি।

পিঐচ গুনচন্দ্রনা ফোঙদোক-খিবদা, মোইরাং পর্ব হায়বসি ঐখোয়গী ত্রেদিস্নেল শুমাং লীলানি। ত্রেদিস্নেল শুমাং লীলা অসি নুপীশিংনা ঙসি ফাওবদা কন্দুনা লাক্লি। অদুবু মোইরাং পর্ব করিনো হায়বসি খঙনা চৎমিন্নবা তঙায়ফদে। মমাংঙৈদা চুম্না শুমাং লীলা শান্নরিবনি হায়বদু হৌজিক্তি য়ারক্ত্রে। মোইরাং পর্ব শান্নরকপা মতমদা মীয়াম্না হংবা ৱাহংদা মতিক চাবা পাউখুম খুম্বা ঙম্ন বা হোৎনবা তাই। ৱারী মপুং ফানা খঙবা চঙই। মোইরাংগী ৱারী পরিংদা তাঙ্কক তাঙ্কক্কী ওইবা মতাংদা লৌখৎতুনা লীলা শান্নরিবসি মোইরাংগী ৱারীনি।

অদুনা শুমাং লীলা হায়বসিসু মন দব লীলাদগী হৌরকপনি হায়বসি চুমই। মরমদি মন্দলি পুজানচিংবা পাঙথোক্লিবা বৈথা য়াওরিবা অসিদি মান্দপ লীলাদগীনি। মান্দপ লীলাদু থাংদোকখ্রগা শুমাং লীলা ওইরিবনি। কনাগুম্বনা শুমাং লীলা অসি ফাগী লীলাদগী হৌখিবনি হায়দুনা লান্না চৎহন্নবা হোৎনরিবসি খঙদবদগী হায়বনি। মরমদি শুমাং লীলাদগী ফাগী লীলানা হাল্লি হায়বদি য়াই। অদুগা শুমাং লীলাদা ফাগী চঙশিনখ্রে হায়রবসু য়াই। অদুবু ফাগী লীলাদগী শুমাং লীলা হৌখিবনি হায়বসিদি য়াবা ঙল্লোই। অহল-লমন কয়া উনজদুনা মসিগীঅচুম অরান থিবদা ফাগী লীলাদগী শুমাং লীলা হৌখিবগী ৱাফম অমত্তা য়াওদে। অদুনা শুমাং লীলা হায়বসি ঙসিদি একদেমীক ওইবা মায়কৈদা চঙশিল্লক্লবা হোৎনরি।

শৌগ্রাকপম হেমন্তনা হায়, নুপী শুমাং লীলাসি হেন্না মপাঙ্গল কন্নবা হোৎনগদবনি। নুপা শুমাং লীলাদগী নুপী শুমাং লীলানা হেনগে হায়বগী ৱাখল অসি নুপীশিংনা খনগদবনি। মরমদি নুপাশিংনা নুপী শুমাং লীলা চাউখৎনবা কৈদৌঙৈদা খল্লরোইদবনি। মণিপুরদা লৈরিবা কুমহৈ ময়াম অসিদা নুপী শুমাং লীলাসু চন্নবা হোৎনগদবনি। নুপীশিংনা নুপী শুমাং লীলাগী মফম কন্নবা হোৎনবা তঙায়ফদে।

নুপী হায়বসি অদুক্কী মতিক অখাঙ কনবীনি। নুপীনা তৌগে খনবদা তৌবা ঙমদবা লৈতবনি। নুপী হায়বসিনা লৌরিবা থৌদাং অসিদি ময়ুম পাল্লবা মতুংদা হোৎনরিবা অসিনা অমুক্তা হেল্লি। অদুনা হেন্না ফগৎপা নুপী শুমাং লীলা ওইহন্নবা হোৎনসি। নুপী শুমাং লীলাগী চন্নফম অমদি কুম্মৈ কয়াদা মফম কনবা ঙম্নবা হোৎনসি হায়না মখা তাখি।

থৌরম অদুদা মোইরাং পর্ব, শামু খোঙয়েৎপা নুপী শুমাং লীলাসু উৎখি। লীলা অসি নবদ্বিপ নিংথৌজানা ইরগা মোইরাংথেম লোলিবলানা দিরেক্সন পীবনি।

# প্রভিস চনম মীশিগী কেস সী বি আইদা শীন্নদবগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চখ্খ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৫(ঐচ এন এস): প্রভিস চনম মীশিগী মতাংদা সী বি আইদা কেস ঙসি ফাওবা শীন্নদনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্ট, মণিপুর গভর্নমেন্ট অমদি য়ু পি গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি ইরোইশেম্বদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম চখ্খ্রে।

ইরোইশেম্বা য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লব অমদি ইরোইশেম্বা অপুনবা মৈরা পায়বী লুপ অনীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টরনা মীশি অসিগী মতাংদা সী বি আইদা শীন্নদুনা ইনক্বারি তৌনবা থাজবা পীখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক ওইনা ওন্থোক্ত্রি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনসু মশামক য়ু পিদা চৎতুনা য়ু পিগী চীফ মিনিষ্টর মশামক হকথেংননা উন্নদুনা মীশি অসিগী মতাংদা তকশিনবা লৈখ্রবনি হায়রি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা, প্রভিস চনম মীশিগী মতাংদা ঙসি ফাওবা কেস অসি সী বি আইদা শীন্নদ্রিবা অসিগী মরম মণিপুরগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংদা শেংদোকপীয়ু। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনসু য়ু পি গভর্নমেন টদা অথুবা মতমদা তকশিন্দুনা কেস অসি সী বি আইদা শীন্নবা হোৎনবীনবা আপিল তৌরি। ৱাকৎ মীফম অদুদা প্রভিস চনম মীশিগী মতাংদা অথুবা মতমদা থিজিন্নবা কেস অসি সী বি আইদা শীন্নগদবনি, নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিংবু মেনলেন্দগী মীওইশিংনা তাথি তাওইনা তৌবীবা খুদক্তা লেপকদবনি লোয়ননা নোর্থ ইষ্টকী মীওই ১৩ মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা ওৎ নৈদুনা হাৎপীখ্রে হায়বা প্লেকার্দ অমদি ফেষ্টুনদা ইদুনা থেৎখি।




/নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



NARENGBAM SAMARJIT SINGH
*Chairman & Managing Director*
SALAI Holdings Private Limited

হৌখিবা ফেব্রুৱারিগী তাং ২০, ২০১৮ ইংদা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা **INDIAN ACHIEVER FORUM** গী ৪৪ শুবা **MAKE IN INDIA: Creating & Enabling Environment for Entrepreneur** হায়বা ফোরমদা **SALAI Holdings Pvt. Ltd.** কী **CHAIRMAN & MANAGING DIRECTOR** ওইবীরিবা লোয়ননা **SMART UNIVERSAL ACADEMY, Sekmaijin Khunou** গী **School Management Committee** গীসু প্রসিদেন্ট ওইবীরিবা ইকাইখুম্নজরিবা **Narengbam Samarjit Singh** না **"INDIA ACHIEVERS' AWARD FOR EMERGING COMPANY"** হায়বা এৱার্দ অসি ফঙলকপদা **SMART UNIVERSAL ACADEMY** গী **TEACHINGS & NON-TEACHINGS STAFF** অমদি মহৈরোয়শিংগী মায়কৈদগী ঙমখৈ লৈতনা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

লোয়ননা মতুংদসু ইকাইখুম্নজরিবা প্রসিদেন্টনা অনা-অয়েক অমদি খুদোংথিবা অমত্তা য়াওদনা হনবা লৈতনা হোৎনবীদুনা ঐখোয়বু অমদি লম্বী থীরিবা ইরৈচা পুম্নমকপু লুচিংবীদুনা অচুম্বা অমসুং চাউখৎপগী মায়কৈদা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিনবা ঙম্বা পীনবীয়ু হায়না তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা থৌনিজরি।

*নুংঙাইবা ফোঙদোকচরিবা ঃ*
**STAFFS & STUDENTS OF SMART UNIVERSAL ACADEMY, Sekmaijin Khunou**

HL-P/632/25&26

# চহী ১৫ শেম্বীরক্তবা লম্বী শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৫(ঐচ এন এস): খাঙবোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা শলম অফৈবী লম্বী অসি চহী ১৫ রোম শেম্বীরক্তনা লৈরকপা অদু খাঙবোক্কী সোসল ৱার্কর খুন্দ্রাকপম অকোয়স্নানা মশাগী মরন্নাই ফুরিৎখাওদগী অচঙবা শেনফম পুথোক্তুনা নুঙ থাদুনা শেমজিনখ্রে।

ঙসি লম্বী শেমজিনবা অদুদা শরুক য়াখিবা শঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট ৱান এরিয়াদগী নাজির অহমদ কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা, শঙ্গাইয়ুম্ফম পার্ট ৱান এরিয়াগী মনুং চন্না লৈরিবা শলম অফৈবীদগী জৱান মসজিদ অমদি শলম মচা তাখিবা য়াবা কিলোমিটর অনীরোম শাংবা লম্বী অসি মীয়াম্না তোয়না চৎনরিবা য়াম্না মরুওইবা লম্বীনি হায়রি।

লম্বী অসি ফাওরগা শঙ্গাইয়ুম্ফম হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মহৈরোয়শিংনা নুংতিগী লাইরিক তম্বা চৎলিবনি। মসিগীসু মথক্তা লৌমীশিংনা কুম্বী কালেন নাইদনা লম্বী অসিদা চৎথোক চৎশিন তৌরিবা য়াম্না মরুওইবা লম্বীনি। হায়রিবা লম্বী অসি হৌখিবা চহী ১৫ রোম অসি কনাগুম্বা অমত্তনা হন্না য়েংবীরক্তবদগী কা হেন্না ফিভম শোকচিনখ্রে।

মহৈরোয় কয়া তুশিনবদগী অশোক অপন নংবা ফাওবা য়াওখ্রে। ফিভম অসিদা লৈবা য়াদবদগী খাঙবোক্কী সোসল ৱার্কর খুন্দ্রাকপম অকোইস্নাদা মফম অসিগী মীয়াম্না চৎতুনা হায়জরুবদগী মহাক্লা মশাগী মরন্নাই পোকেটতগী শেল পুথোক্লগা লম্বী অসি নুঙ থাদুনা ঙসি শেমজিনবা হৌখিবনি। লম্বী অসি শেমজিনবা মতমদা সোসল ৱার্কর খুন্দ্রাকপম অকোয়স্না মশাসু য়াওখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# অশিবা অঙাং অমা ফঙলে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৫(ঐচ এন এস): পোকপদা ঙাইরিবা খোইরি ফাওবা ককত্রিবা অশিবা অঙাং অমা ইরিল তুরেলদা তাওথরক্লে।

ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবা মতমদা ইরিল তুরেলদা তাওথরকপা অঙাং অদু মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিংনা লৌখৎলগা পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবা অঙাং অদু নুপানি। অঙাং অদু মশা-মউ ফৈ। মহাক কনাগুম্বনা শিরগা থাদরকপ্রা নৎত্রগা হিংনা থাদরকপ্রা হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মনাক নকপদা লৈবা খুঞ্জা অমনা ফোঙদোরকপদা, মীয়াম্না শীজিন্নরিবা ইরিল তুরেলদা অসিগুম্বা য়াম্না মীনুংশি হৈতবা মওংদা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং অমবু তুরেলদা থাদরকপা অসি মরী লৈনবশিংনা ফারগা চেন্নবা মীওইশিং এক্সন লৌখৎপীয়ু। মসিনা মীয়ামদা অকি-তুজুংবা অমদি নুংঙাইতবা কয়া পোকহল্লে হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা পোরোমপাৎ পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা থিজিনবা হৌখ্রে।